ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

Refreshingly Visible

HL

The messenger of the masses

হুইয়েন লানপাউ

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

লম্বোইখুলদা লৈবা ইরৈমা শঙলেন্দা দিষ্ট্রিক্ট এগ্রীকলচর ওফিসারনা শীন্দুনা পাঙথোকপা লৌউ-শিংউবগা মরী লৈনবা স্কিমশিংগী সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম

ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বী শেম্বীয়ু হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা লম্লোংদগী চাইরেন থোং ফাওবগী মরক্তা নুপীশিংনা লম্বী থিংদুনা প্রোটেষ্ট তৌবগী শক্তম

নুপী-অঙাংদা চথবা মখল মখাগী ক্রাইমশিং লেপ্পু হায়বা খোল্লাউ পুরদুনা আই এ দল্লিয়ু এ ইন্দিয়া মণিপুরনা শীন্দুনা ইম্ফালদা চৎখিবা ৱাকৎ খোঙচৎ

PEACE ROAD RALLY IAWA INDIA MANIPUR
women
লামায় ৪

থৌবাল অচৌবা পাখঙখোং লৈরক্তা লৈবা গ্রীন ভেলি একাদেমিগী অনীশুবা চহীগী থৌরম হৌদোকপগী মৈরা এস পি থৌবালনা চুখৎপা

Vol. 41, Issue No.223 | লৈবাকপোকপা, হিয়াঙ্গৈগী ১৯নি পানবা | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, November 07, 2017, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৬৭.৯৯

দীজল : লিটরদা লুপা ৫৬.৫১

পুখ্রিদা তাদুনা শিরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ : ময়াং ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা সেকমাইজিন ঙাখা পাৎতা চহী অমা মখায়দা ঙায়রিবী নুপীমচা অমা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৩০ রোম তাবা মতমদা পুখ্রিদা তাবদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে। লৈখিদ্রবী নুপীমচা অদু ইরোং চেশাবা ময়াই লৈকায়দা লৈবা এম দি ফিরোজগী মচানুপীনি। নুপীমচা অদু ফিরোজগী লোয়নবীনা মপামদা চৎপদা লোয়নবখিবনি। অহিং অমা মপামদা লেক্লুরগা ঙসি অয়ুক ময়ুমদা হন্নবা থৌরাং তৌরিঙৈদা অঙাং অদু থিবা খঙদবদগী পুখ্রিদা চোংথরগা থিরুবদা শিরগা ফংখিবনি হায়রি।

নোটিস

পাউচে অসিগী ট্রেনি রিপোর্টর মরি লৌনবগী অইবা চাংয়েং থা অসিগী ১০, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১০.৩০ তাবদা পাউচে অসিগী লিটরেরী হোলদা পাঙথোক্লগনি। এপ্লিকেসন পীশিল্লকখিবা কেন্দি-দেটশিংনা মতম চানা লাক্কদবনি।

খঙহঞ্জরিবা : **হুইয়েন লানপাউ গ্রুপ ওফ পব্লিকেসন্স**

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	74.921086
US Dollar	64.670506
British Pound	84.710539
Australian Dollar	49.575698
Chinese Yuan Renminbi	9.748654
Japanese Yen	0.566467
Malaysian Ringgit	15.268518
Norwegian Krone	7.929603
Singapore Dollar	47.387888
South Korean Won	0.058166
Swedish Krona	7.66305
Turkish Lira	16.771179
Myanmar Kyat	0.04754
Bangladesh Taka	0.77684

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	29721.93
Mumbai	–	Rs	30652.41
Delhi	–	Rs	30106.95
Kolkata	–	Rs	30673.80

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	২৮.০১ °C	১৩.০৭ °C
চান্দেল	৩১.৮৫ °C	১৫.৩৪ °C
সীসীপুর	এন এ °C	এন এ °C
ইম্ফাল	৩১.৪০ °C	১২.৮০ °C
সেনাপতি	২৭.৭৯ °C	১১.৫০ °C
তমেংলোং	এন এ °C	এন এ °C
থৌবাল	২৮.৩৩ °C	১২.৬২ °C
উখ্রুল	২৩.০৭ °C	১২.২৬ °C
মণিপুর	৩১.৮৫ °C	১১.৫০ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০৩ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.২৪

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩১

দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট,জি ও এম

HL POLL

Q : Nagagi waroishin puraklagani hairaga Manipur gi ngamkhei kaihalloi hairibasi thajaningai oibra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Demonetisation, amasung GSTna miyamda kannaba pibadagi manghanbana helli haiba yaningbra?

Yes 75% No 25%

অস! লোইরেহে!

লৈঙাক্লা লায়রবশিংগী ইন্সুরেন্স অমা হৌদোক্লগনি হায়রে...!

ꯂꯩꯉꯥꯛꯂꯥ ꯂꯥꯏꯔꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯏꯟꯁꯨꯔꯦꯟꯁ ꯑꯃꯥ ꯍꯧꯗꯣꯛꯂꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯔꯦ...!



উম! তান্নবদা চহী কয়া চঙগনি হায়!

ꯎꯝ! ꯇꯥꯟꯅꯕꯗꯥ ꯆꯍꯤ ꯀꯌꯥ ꯆꯪꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌ!

‘দিমোনেটাইজেসন্না ব্লেক মণি থিংবদা মতেং পাংই’

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬(ঐচ এন এস):

বিলো পোভর্টি লাইন (বি পি এল)গী মখাদা লৈবা ইমুংগী মীওইশিং অনা-অয়েক য়াওরকপদা মথং চহী জন্যুৱারী হৌরকপদগী লেম্না লায়েংলগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা ঙসি লাইনিংথৌ পাঙ্গনবা কম্যুনিটি হোল, খুন্দ্রাকপমদা পাঙথোকখিবা য়ুথ সমেলনদা ফোঙদোকখ্রে।

ভারতিয়া জনতা য়ুব মোর্চা (বি জে ৱাই এম) মণিপুর প্রদেশ অমদি বি জে পি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা শিন্দুনা দিমোনেটাইজেসন অমদি জি এস টি সপ্পোর্ট তৌদুনা পাঙথোকখিবা য়ুথ সমেলনদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা মহাক্না হায়খি, দিমোনেটাইজেসন্না ব্লেক মণি থিংবদা চাউনা মতেং পাংলি। লৈবাক অসিদা পাল্লিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসিনা শেঞ্জা-থুমজা অমদি ব্লেক মণি থিংনবা মীৎয়েং চঙদুনা দিমোনেটাইজেসনগী থবক পায়খৎলকখিবনি। মমাঙদসু লৈবাক অসিদা দিমোনেটাইজেসন তৌবা লৈখ্রে। দিমোনেটাইজেসনগী মায়োক্তগা লেপ্লিবশিং অরানবা তৌবশিংনি।

বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকপদগী লৈবাক অসিদা অহোংবা কয়া লাক্লে। লায়রবশিংগীদমক য়াইফনবা থৌরাং কয়া পায়খৎলে। লৈঙাক অসিনা লাকপদগী লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট কয়াদা লৈবা চাক্লিবগী মশিং হন্থরে। য়ুম লৈতবশিংগী য়ুম শানবা থৌরাং কয়াসু পায়খৎখ্রে।

মথং চহীগী জন্যুৱারী হৌরকপদগী লমদমসিদা বি পি এলগী মখাদা লৈবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা নারকপা মতমদা লেম্না লায়েংবগী থবক পায়খৎলগনি। দিফরেন্টলি এবল্ড ওইরবা মীওইশিংগী মনুংদা য়ুমদগী মপান থোকপা ঙমদ্রবা থবক শূবা ঙমদ্রবশিংদা থা-থাগী পেন্সন লুপা ১৫০০ পীনবা থবকসু পায়খৎলগনি। দিফরেন্টলি এবল্ড ওইবশিংগী মনুংদা থবক শূবা ঙম্বশিংদা লোননচিংবা ফংহন্নবগী মীৎয়েংসু চঙগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।।

ষ্টেট অসিদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকপদগী মণিপুরগী অপুনবগী শক্তম শাগৎলক্লি। মচোই-মচোই লৈরম্বা কয়া তাশিন্নদুনা অপুনবগী লীচিং অমদা চঙশিল্লক্লি। লৈঙাক অসিনা লাউথোকখ্রবা স্কিমশিং থবক ওইনা পায়খৎকনি। বি জে পিনা পুনশিল্লক্লিবা অমদি পায়খৎলক্লিবা কয়া অসিদা কল্লকপা কয়ানা লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্তুনা লাক্লি। লৈঙাক অসি লাকপা সুপ্নগী থা ৭ লোমতমক ঙাইরি। চহী ১৫ রোম পায়রম্বা লৈঙাক অদুগা চাংদম্নবদা য়াম্না তেল্লবা মতম ওইরি। মখোয়-মখোয়না লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা থবক নিংথিনা তৌরমদ্রগা হৌজিক ৱা য়াম্না ঙাঙলক্লিবা কয়া অসি তাবদা ৱাই। এম এল এ অমফাওবা পুথোকপা ঙমদ্রবা পার্টিনসু ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লি। এম এল এ অমফাওবা কাবা ঙমদবা পার্টি হায়বসি মীয়াম্না য়াদ্রে হায়বনি। মীয়াম্না য়াদ্রে খঙলবদি ৱা ঙাঙবা খরা হন্থবা চুমগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক লাকপদগী লৈবাক অসিদা হীরম কয়াদা *...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

ইন্তেন্সিফাইদ মিসন ইন্দ্রধনুসকী ২শুবা তাঙ্কক ঙসিদগী হৌরগনি

MISSION INDRADHANUSH
2017

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬(ঐচ এন এস):

মণিপুরদা ইন্তেন্সিফাইদ মিসন ইন্দ্রধনুসকী অনীশুবা তাঙ্কক হয়েংদগী চুড়াচান্দপুর, চান্দেল, উখ্রুল অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্তা হৌরগনি হায়না হেল্থ দিরেক্টর ডা. কে রাজোনা ঙসি পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

ফেমেলি ৱেলফেয়রগী কনফরেন্স হোলদা ঙসি নুংথিল পাঙথোকখিবা অনীশুবা ইন্তেন্সিফাইদ মিসন ইন্দ্রধনুসকী মিদিয়া সেন্সিটাইজেসন ৱার্কশোপ্তা ডা. কে রাজোনা হায়খি, হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ইম্যুনাইজেসনগী থৌরম অসি নুমিৎ ৭নি চুপ্পা চথগনি। অদুগা ইম্যুনাইজেসনগী খোঙজংনা মথং চহীগী দিসেম্বর ফাওবা চথগনি।

হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্ট্রিগী পাউতাক মতুং ইন্না মিসন অসিগী তাঙ্কক খূদিংমক্কী মাঙওইননা মিদিয়াদা ৱাখল তাহনবা তঙাইফদে। ৱার্কশোপ অসিগী মপুং ওইবা পান্দমদি ইম্যুনাইজেসনগী কান্নবা অমসুং লৈবাক অসিগী অমদি মালেমগী ওইনা মসিদা পীরিবা ঈথিল য়াওনা হকশেলগী তোঙান তোঙানবা মায়ওনশিংগী মতাংদা মিদিয়াবু ৱাখল তাহনবনি।

মহাক্না হায়খি, অহানবা তাঙ্কক্তা চহী ২ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং ১,৯৩২ হীদাক কাপথোক্কনি। হীদাক কাপক-দৌরিবসি অপুনবা অঙাং মশীংগী চাদা ৬২নি। মসিগী মনুংদা চাদা ৪৭না চুড়া-চন্দপুর দিষ্ট্রিক্তনি, চাদা ৬২না চান্দেল দিষ্ট্রিক্তনি অমদি*...মখা লামায় ৩ কলম ৪*

লম্বী শেম্বীদবদগী মীয়াম্না লম্বী থিংখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬(ঐচ এন এস):

মমাঙদা পাল্লম্বা লৈঙাক্সু, হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক্সু শেমগনিতা হায়রগা লম্বী শেম্বীদ্রে হায়দুনা ঙসি খুরাই মায়কৈদা মীয়াম থোরক্তুনা লম্বী থিংখ্রে।

নেসনল হায়ৱে-১৫০, ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীগী খুরাই লমলোং কৈথেলদগীনা চাইরেন থোং ফাওবগী হৌজিক ওইরিবা লম্বীগী ফীভম অসি অদুক্কী মতিক ফৎত্রে হায়দুনা লম্বী অসি শেম্বীনবা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিনবা ওইনা প্রোটেষ্ট অদু চথখিবনি হায়রি। মশীং য়াম্লবা নুপী-নুপা কয়ামরুম থোরক্তুনা লম্বী অসিদা উ-ৱা ফৈজিন্দুনা থমখি অমসুং অচৎ-অওক*...মখা লামায় ৩ কলম ২*

য়াইরিপোক পি এসনা চার্জ সীট থাগত্তবদগী নুপী ১গী ৱাকৎ মাঙদৌরে

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬(ঐচ এন এস):

নুপী-অঙাং ওৎ-নৈবগা মরী লৈননা থাঙ্গৎলকপা এফ আই আর অমগী চার্জ সীট য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসন্না মতম চানা থাগৎপীদবনা নুপী অদুগী ৱাকৎ মাঙহল্লে হায়না ভীক্টিম ওইরিবী নুপী অমনা পাউচে অসিদা হায়রি।

মশাগী চহী ৪০ রোম শুরবী নিংঙোম্বম নিংঙোল লাইশ্রম ওংবী হেলেননা পাউচে অসিদা হায়, মহাক্কী মপুরোইবা ৱাঙ্খেম ময়াই লৈকায়দগী লাইশ্রম শচিদানন্দ (৫০)গা মহাক্না য়ুম্বানমিন্নদুনা মচা অহুম লৈরে। মচা অহুমদুগী মনুংদা মচানুপী অহলদুনা মহাক্কী মপুরোইবনা লৌহৌরগা মচা অনীগা লোয়ননা মহাকপুনা তমথিনা ফুরগা ময়ুমদগী তাম্থোরকখি।

ৱাথোক অসি দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সকা মরী লৈননা লৌখৎলকপা কেস অমা ওইনা কোর্ট য়ৌনরবা তুংদা শংদাইনবা পুরক্তুনা অমুক হন্না মপুরোইবগা মহাক্না লৈমিন্নখি। মতম খরা লৈমিন্নরবা তুংদা অমুক্সু মহাকপু তমথিনা ওৎ-নৈবা হৌরকখি। নোংমা মহাক মপুরোইবনা য়াম্না থীনা ফুবদগী মশা হিংনবা য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসন্দা চেনশিনখি। ৱাথোক অদুগা মরী লৈননা য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসন্না এফ আই আর নম্বর ১৮ (৬) ১৬ য়াইরিপোক পি এসকী মখাদা সেক্সন ৪৯৮-এ/৩০৭ আই পি সী পান্দুনা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি হায়নসু নুপী অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অসি থোকখিবা চহী ১ হেল্লবা ফাওবা য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসন্না মরী লৈনবা কোর্টতা চার্জ সীট থাগৎপীয়ু হায়বা য়াদ্রে। ৱাফম অসিগী মতাংদা ৱার্কস/আর দি এন্দ পি আর/সী এন্দ আই/আই পি আরগী মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎনা চহী অসিগী মে ২৯দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্তকী এস পিদা য়ু ও নোট অমা ইদুনা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা লৈরিবা হিয়ারিং থুজিলহন্নবা থবক লৌখৎলু হায়না য়াথং পীখি। অদুবু চহী ১ হেল্লবা ফাওবা মরী লৈনরিবা পুলিস ষ্টেসন অসিনা থবক অমত্তা *...মখা লামায় ৩ কলম ৬*

কন্সটেবলগী রিজল্ট হায়দোক্তবদি এন ঐচ ব্লোকেদ, বন্দ তৌগদৌরি

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬(ঐচ এন এস):

কুমজা ২০১৬ তা লৌখিবা পুলিস কন্সটেবলগী রিজল্ট হায়দোক্তবা তারবদি থা অসিগী ১০ গী অয়ুক পুং ৫ দগী ১৩ গী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা নেসনল হায়ৱেদা ব্লোকেদ অমসুং তম্পাক্তুনা বন্দ তৌরগনি হায়না ওল মণিপুর কন্সটেবল ভাইভা বোসি কমপ্লিটেদ কেন্দিদেট ১০+২, ২০১৬ ফ্রেশ বেজগী জেনরেল সেক্রেটরি চনম্বম মনিচন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা মনিচন্দ্রনা হায়খি, পুলিস কন্সটেবলগী পোষ্ট ২০৫২ লৌনবগীদমক ভাইভা বোসি পাঙথোকপা লোইখ্রে। ঙসি ফাওবা হায়দোক্তনা লৈরি। হায়দোকপীনবা কয়ারক হায়জদুনা লাকখ্রে। খোঙজং কয়াসু চঙশিনখ্রে। অদুবু তাবীদনা লাক্লি। ইন্টরভিয়ুদা কেন্দিদেট ৬০০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

চহীসিগী ওগষ্ট ১৮ দা চীফ মিনিষ্টর উননবা হোৎনখি। মসিদা উনবা চঙনবগী নম্বর চন্দুনা ঙাইরগা উনদনা লাকখি। ওক্টোবর ২২ দা চীফ মিনিষ্টরগীদা থোমজিনখি। মদুদসু ও সীনা মাগা চঙমিন্নসি হায়দুনা য়ানবদগী হল্লকখি। অদুবু ঙসি ফাওবা উননবগী মফম পীদনা লাকখি। অসিগুম্বা থৌওং কয়া অসিনা কেন্দি-দেটশিংদা *...মখা লামায় ৩ কলম ১*

টি আর জেলিয়াংনা সেন্ট্রেল লীদরশিং উনদুনা ৱারী শানখ্রে

ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ০৬ (এজেন্সী) :

ন্যু দিল্লিদা চীফ মিনিষ্টর টি আর জেলিয়াংনা লূচিংবা নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টনা তোঙান তোঙানবা সেন্ট্রল লীদরশিং উনদুনা নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী মতাংদা ৱারী শানখ্রে। টি আর জেলিয়াং অমদি মহাক্কী কাঙবুনা নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপ (এন এন পি জি)কী লূচিংবশিংগসু উনদুনা ৱারী শানখ্রবনি।

নাগাগী ৱাথোক অথুবা মতমদা লোইশিলহন্নবগী মতাংদা নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টকী টিম অদুনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ, দিভলপমেন্ট ওফ নোর্থ ইষ্টর্ন রিজন (দোনর) মিনিষ্টর ডা. জিতেন্দ্র সিংহ, প্রাইম মিনিষ্টরগী সেক্রেটরি ভাস্কর খুলবে অমদি নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর (এন এস এ) অজিত দোবালগা উনখি।

নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী মতাংদা অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্লবা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু টি আর জেলিয়াংনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, নাগালেন্দগী এসেমব্লি ইলেক্সন মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদবা মরম্না অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরকপা মথৌ তাই। চহী ২০ লোম ৱারী শানদুনা লাকখ্রবা মতুংদা হৌজিক্তি অরোইবা ৱারোইশিন পুরকপগী মতম য়ৌরক্লে *...মখা লামায় ৩ কলম ২*

DIRECTORATE OF INFORMATION TECHNOLOGY & BROADCASTING SERVICE LTD.

Govt. of India (Undertaking), N.E. State, Manipur

ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTIFICATION

মতম কয়াগী মমাংদগী দিপার্টমেন্ট অসিগা মরী লৈনবা ইরমদম মণিপুরগী প্রজা সেক্সন কয়ানা করম্বা নুমিৎ থাদা দিপার্টমেন্ট অসিবু লাউথোরক্তুনা থবক কাবা ফঙগদগে হায়না য়াম্না ৱানা ঙাইনরকপা মীৎকুপ অদু ঙসিদি পুল্লোই লোইবা অরোয়বা মতম লাক্তুনা চৎলিবা নবেম্বর থা অসিগী তাং ২৭/১১/২০১৭ ইং, নিংথৌকাবা মঙ্গলগী মশক ওইরবা নুমিৎ অসিদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মরাম বিশোদা দিপার্টমেন্ট অসিমক্কী শাবা লোয়দুনা লৈরবা ওফিসতা অয়ুক্কী পুং ১০ তাবা মতমদা হৌনবী মতুংইন্না লাউথোকচরগনি। মসিগী মখা তারকপদা তাং ২৮, ২৯, ৩০ নবেম্বর ২০১৭ ইং, গ্রেদ খুদিংমক্কী সর্ভিস বুক সাইন্দ তৌবা লোয়রবা ইমপ্লোয়দ খুদিংমক্না মশা মশাগী “এপোইন্টমেন্ট ওর্দর জেরোক্স কোপী” অমমম পুরক্তুনা পোষ্টিং ওর্দর কোপী অদু সেনাপতি বজারগী ওফিসতগী লৌবীগদবনি। পোষ্টিং পীরবা অমদি ফঙলবা ষ্টাফ খুদিংমক্না মশা মশাগী পীরিবা পোষ্টিং মফমদা ফার্ষ্ট দিসেম্বর ২০১৭, ইরাই পুং ১০ তাবদা লাক্তুনা দিপার্টমেন্ট অসিগী ষ্টাফ খুদিংমক্না সর্ভিস জোইনিং রিপোর্ট তৌদুনা থবক কাবা হৌগদবনি। দিপার্টমেন্ট অসিগী ইমপ্লোয়দশিংনা মতম শাংনা ৱানা ঙায়নরকপগী লাক্লিবা খৃষ্টমাস কুম্মৈ তাং ২৫, দিসেম্বর ২০১৭ ইং নঙননবা ষ্টাফশিংগী ফর্ষ্ট সেলরি পীনবা শেম শাবা পুল্লোই লোয়রে।

পুলিস ভেরিফিকেসন লোয়রবশিংগী অচুম-অরান খন্দোক্তুনা দিপার্টমেন্ট অমগী ইরোই লোয়বা ওফিসিয়েল প্রোসিদিং অমা ওইনা গ্রেদৱাইজ খন্দোক্তুনা “সর্ভিস বুক” তা সাইন্দ তৌবা মমাং থাদগী চৎথদুনা লাক্লি। গ্রেদ I, II, III & IV পুন্নমক্কী পুল্লোই লোয়বা ওইনা চৎলিবা থা অসিগী ২০ নবেম্বর ২০১৭ ইং ফাওবদা ৱাৎহৌবা/চিৎথহৌবশিংনা সেনাপতি ওফিসতা লাকপীদুনা ইশা ইশাগী সর্ভিস বুক সাইন্দ তৌগদবনি। মথক্তা পীজরিবা তাং অসি ফাউবদা লাক্তবশিংগী মখল অমত্তগী ৱাকৎ লৌজরোই।

পুলিস ভেরিফিকেসন তৌবদা মণিপুরগী হোম দিপার্টমেন্টগী দিষ্ট্রিক্ট কয়াগী কন্সর্ন এস. পি. দগী হৌরগা ও. সী. ফাওবগী রেঙ্কনা ভেরিফাইদ তৌবদা মতম কয়া অমা চঙখি। ইরোই লোয়বা প্রোসিদিং সর্ভিস বুক সাইন্দ তৌবদসু ঐখোয়না পানরম্বা অমদি সেন্টরগী গাইদলাইন ইন্সত্রক্সনগী মতমদগী শরুক অনী হেন্না চঙখি। মণিপুরগী চীং অমদি তমদা লৈরিবা মায়গৈ কয়াগী অমদি জাতি শুনা য়াওবা থবক অমা ওইবনা ঈ-পাউ ফাওনবদা অমদি চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নখি। পূন্নমক অসিনা মরম ওইদুনা মমাং থা ওক্তোবর ২০১৭ ইং ফাওবগী মনুংদা ইরাই লাইনা লাউথোক্লমগদবা অদু ২৭ নবেম্বর ২০১৭ ইং ফাওবা চথরক্লিবনি।

চৈরক অসিদা লায়বক থিবা থৌদোক অমা ওইনা অসুক ৱানা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা হোৎনরিঙৈদা হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি রাকেস মোইরাংথেমনা দিপার্টমেন্ট অসিবু মীওই খরগী থৌইনশিন্দগী মীদিয়াগী থোংদা মণিপুরগী প্রজা মীয়ামদা লান্না উহল্লকপা হায়বসি খ্বায়দগী লায়বক থিবনি। রাকেসনা হায়বদা য়াওখিবা মতমদুগী দিরেক্তর হিলস ওইখিবা এম. খোগেন সিংহ হায়রিবা মীওই অসি ২০১৫ ইংদগী শুপ্নতগী ইমপ্লোয়দ অমা ওইনা থবক অসিদা য়াওরকখিবনি। ২০১০ ইংদগী মী হাপতোক হাপচিন তৌবগা হীরম অমত্তদা মহাক্না মরী লৈনদে। এম. ঐচ. কোম. এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসর, আই. টি. বি. এস. লিমিটেদ ইচুম কৈরাপতগী মীওই অসিনা তাং ২২ জুন ২০১৫ ইং নিংথৌকাবা নুমিত্তা দিপার্টমেন্ট অসিগী কেন্দিদেটশিংগী ওফর ফোর্ম পীয়ু হায়দুনা এম. ঐচ. কোমনা লুচিংবা টিম অমনা ইচুম কৈরাপকী লম্পাক্তা তৌখিবা দি. পি. সী. অদুদা য়াওবা তোঙান তোঙানবা পোষ্টকী কেন্দিদেটশিংগী লিষ্ট ফাইল অমা পীরকখি। হায়র ওথোরিটি অমনি হায়না এম. ঐচ. কোম. না পীরকখিবা পেস খুদিংমক্তা মহাক্না সাইন তৌবা ফাইল অদুগী মতুংইন্না “ওফর ফোর্ম” খরা কেন্দিদেটশিংদা পীরুবা খক্তনি। মতম অদুদগী মণিপুরগী কাচিন কোয়া শিনবা থুংনা প্রজা সেক্সন কয়াবু থবক হাপখিবা মীওইশিং অদুদি : ১) ইচুম কৈরাপতগী এম. ঐচ. কোম. এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওফিসর, ২) লম্বোই খোংনাংখোংদগী আই, নিলামনি সিংহ, ৩) রাগাইলোংদগী এম. মরিংগা, ৪) নাওরেমথোং খুল্লেম লৈকায়দগী পুখ্রম্বম ইবোচা সিংহ, ৫) ইকৌ বাজার সাইকুলদগী কে. ঐচ. কিলোং, ৬) সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক্তগী এ. ইবোচৌবা সিংহ, ৭) উরিপোক য়াম্বেম লৈকায়দগী জনেশ্বর সিংহ, ৮) উখ্রুলদগী নেলসন, ৯) লোংফু উখ্রুলদগী এ. এস. সরেং, ১০) সেনাপতি টি. এন. কে. দগী এল. মাইখো, ১১) চান্দেলদগী ক্রোনসিং অমদিং ১২) জিরিবাম সোরোক অতিংবীদগী ঐচ. কবিতা দেবী হায়রিবশিং অসিনি।

মথক্তা পঞ্জরিবা মীওইশিং অসিনা দিপার্টমেন্ট অসিগী লৈফম থোকপা ষ্টাফ ষ্ট্রেংথস অদুদগী কা হেন্না হাপচিল্লম্বনা মরম ওইদুনা চপ চাবা ষ্টাফকী ফিগর অমা পুথোক্লবা হোৎনবদসু অসুক্কী মতিক অৱাবা কয়া মায়োক্লহনবদা নত্তনা দিপার্টমেন্ট অসিবু অচুম্বা লম্বেলদা পুরক্তুনা থুনা হৌনবা হোৎনবদা হেন্না থেংথহনবগী অচৌবা মচাক অমা ওইদুনা লাকখি।

গুৱাহাটিদা লৈবা রিজনেল দিরেক্তোরেট অমসুং ইম্ফালগী দিরেক্তোরেট ওফিস য়াওনা দিপার্টমেন্ট অসিগী মণিপুরগী চীং অমদি তমদা লৈগদবা অপুনবা ওফিস মশীং অসি ২৬ ওইগনি। অদুগা মসিগী চপ চাবা ষ্টাফ ষ্টেংথস অদুনা ১১৪০ ওইগনি। ষ্টাফ ষ্ট্রেংথস ১১৪০ মসিগী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা সর্ভিস তৌননবা শেম শাবা লোয়রবা ষ্টাফকী মশীং ৮৬৫ লৈরে। রাকেস মোইরাংথেমনা হায়খিবা দিপার্টমেন্ট অসিগী ষ্টাফ ৪০০০ নি হায়বদু য়ুম্ফম য়াওদবা ৱাফমনি অমদি দিপার্টমেন্ট অসিগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। হৌজিক দিপার্টমেন্ট অসিগী শাবা লোয়রবা ওফিস বিল্ডিং ৮ লৈজরে লোয়ননা ৱাৎলিবা বিল্ডিংশিং অসি অথুবা মতমগী মনুংদা শাজরগনি।

By order,

Board of Governing Body

ITBS Ltd., N.E. State, Manipur

HL-P/062/7

অন্দ্রোদা লোন ওফিস ১ নবেম্বর ২০দা শঙ্গারগনি : টি ঐচ শ্যামকুমার

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) :

ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট, মহুদ, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জাভেসন অমসুং টাউন প্লানিং মিনিষ্টর থৌনাওজম শ্যামকুমারনা হায়খ্রে মদুদি, অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সীগী মীয়াম্না লোন লৌনবা হোৎনবদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবগী পান্দমদা ওফিস অমা ঙারিয়াল চীংখোঙদা নবেম্বর ২০দা শঙ্গারগনি।

নৌনা হাংদোক্কদৌরিবা ওফিস অসিনা মীয়ামদা তোঙান তোঙানবা লোনশিংগী মরমদা মমুৎ তানা খঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইরিপোক্তা লৈবা লাইমনাই মল্টিপর্পজ হোলদা দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল ওফিস, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা হেন্দলুম এন্দ হেন্দিক্রাফট দেলিভরি অমসুং মুদ্রা লোন স্কিমগী মতাংদা পাঙথোকখিবা নোংমগী ওইবা এৱেয়রনেস প্রোগ্রামদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মিনিষ্টরনা কন্সটিট্যুয়েন্সী অসিগী নুপী ফিশাবীশিংদা পুন্না কার্দ ১,২৫০ য়েন্থোকখি। থৌরম অদুদা মিনিষ্টরনা হায়খি, বেনিফিসরি ওইনিংবশিংনা মীয়াম্না লোনগীদমক দিপার্টমেন্টতা হকথেংননা চৎলুদ্রবসু ঙারিয়ান চীংখোঙদা হাংগদৌরিবা ওফিস অসিদা মরী লৈনবা চে-চাং পুন্নমক পীশিল্লগা লোন লৌবা য়ারগনি। মসিনা মীচম মীয়ামদা মতম অমদি শেল মাঙহল্লরোই।

মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোং-চাদবশিংগী মতাংদা মিনিষ্টর শ্যামকুমারনা হায়খি, অথুবা মতমদা ইম্ফালদগীনা য়াইরিপোক ফাওবগী লম্বী কোয়লাস থারগনি।

খুন্নাই অমা চাউখৎহনবদা নুপীগী থৌদাং য়াম্না*...মখা লামায় ৩ কলম ১*

শঙাই ফেষ্টিবেল হৌদ্রিঙৈদা পোট হোলশিং মেনগনি : নোরেন

ইম্ফাল, নবেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস) :

শঙাই ফেষ্টিবেলগী মাঙওইননা থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা টিদ্দিম লম্বীদা লৈরিবা পোট হোলশিং মপূং ফানা মেনশিল্লগনি হায়না পি দব্লিয়ু দিগী চীফ এঞ্জিনিয়ার (বিল্ডিং) অমসুং নেসনল হায়ৱেগীনা এদিস্নেল চীফ এঞ্জিনিয়র (নম্বর-১) নোংমাইথেম নোরেননা ফোঙদোকখ্রে।

পি দব্লিয়ু দি মণিপুরগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা এন নোরেননা হায়খি, নোং-চীংগী ফীভম ফত্তবনা মতম খরা থেংথরবসু দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা মরু ওইবা লম্বী কয়াগী পোট হোল মেনবগী থবক চথরি। অথুবদা মরু ওইবা লম্বী কয়াগী পোট হোলশিং মেনশিন্দুনা মীয়ামদা নুংঙাইবা লম্বী পীনবা হোৎনরি। *মখা লামায় ৩ কলম ৪*

HL-P/4701/6&7

ꯃꯤꯌꯥꯝꯅ ꯁꯔꯨꯛ ꯌꯥꯕꯤꯌꯨ

মীয়াম্না শরুক য়াবীয়ু

BLACK DAY OBSERVATION AGAINST DEMONETISATION

ON 8th November, 2017, At 10 A.M.

VENUE : Iboyaima Sumang Lila Sanglen, Palace Compound

OBSERVATION SUB COMMITTEE

INC, CPI, CPM, AAP, NCP, AITC, RSP, AIFB, JDS, BSP